

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, OCTOBER 23, 2015 PAGE 7




*মপাল লমদা ত্রেনিং চৎপগী ফন স্পোর্টস ওফিসিয়েলশিংনা কাইথাবিরক্ত্রে হায়না মশাগী খরজনা চৎলগনি হায়না ফোংদোকখিবা সুটর সোথি*

*বেঙ্গালুরুগী এয়ার এসিয়া ওপন চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রোপো গিয়াবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মাইনিনি*

## হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ সিজন টু – ২০১৫

# এফ সি গৱানা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিবু ২–১দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা চৎপা ঙমখ্রে

ফতোরদা, ওক্তোবর ২২ ঃ

এফ সি গৱানা ঙসি হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট সিজন টুগী ১৮ শুবা মেটচ গৱাগী ফতোরদাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা মমাংগী রর্নর্স অপ কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা পুন্না মেটচ ৫দা পোইন্ট ১০ ফংবগা লোয়ননা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

কেরলা ব্লাষ্টর্সকী টিম অসিগী হৌখিবা মেটচ অনিসু মায়থিবা নংখিবনি। মরম অদুনা মখোয়গী মায়কৈদগী মায়পাক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনবগী ৱাখল অমগা লোয়ননা শান্নবা হৌখি। অমরোদা এফ সি গৱাগী শান্নরোইশিংনা মায়পাকপা ঙম্লবদি লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈগনি খংবনা শান্নরোইশিংগী মরক্তা টেন্সন লৈতনা য়াম্না নুংঙাইনা বোল শান্নবা হৌরকখি।

গৱাগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফতা বোল পায়বগী চাং খরা হন্থখিবনা মরম ওইদুনা এটেক্ট চথবা হেনখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্না ঙমখি। কেরলাগী রাহুল ভেকিনা ফিল্ডগী য়েৎথংবা মায়কৈদগী গৱাগী গোল পোষ্ট ময়াদা থাদরকপা বোল অদু দিফেন্দরশিং অদুদগী মুল্লগা রাফিনা হেদ তৌশিন্দুনা গৱাবু কেরলানা ২৪শুবা মিনিটতা ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল শোথরবা গৱাগী শান্নরোইশিং ইক্যুলাইজর অদু য়াম্না থুনা বোল পুশিনবা ঙম্নবা হোৎনরকখি। অহানবা হাল্ফকী ইঞ্জুরি টাইম মিনিট ২ হাপখি। মদুদা গৱাগী মায়কৈদগী লিও মোরানা মহাক্কী টিমমেট জোনাথন লুকাগা লোয়ননা পুশিল্লকখিবা বোল অমা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোল পোষ্টকী ওইথংবা কাচিন্দা চং হনখিদুনা হাল্ফ লোয়শিল্লকপদা পাঞ্জল অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অনিশুবা হাল্ফ টিম অনিমক্কী মায়কৈদগী বোল পায়বগী চাং মান্ননা হৌরকখি। ৫৫ শুবা মিনিটতা কেরলাগী নম্বর ৭ লোবো শোক্তুনা লৈখিবা অদুদা বোল ফংখ্রবসু গৱাগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী স্পিরিট অদু ৱাংনা থমদুনা কেরলাগী কিপরদা বোল অদু পীশিন্দুনা খুদোংচাবা অহেনবা লৌখিদে।

গৱানা ৬১ শুবা মিনিটতা মখোয়গী অনৌবা পাঙ্গল অনি হাপচিল্লকখি। হান্না শান্নবা দাফি অমসুং বিক্রমজিৎকী মহুৎতা মন্দর দেসাই অমসুং রোমিও ফার্নেন্দেজ শান্নবা চংলকখি।

কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী জোৱা কোইম্ব্রাগী মহুত্তা মিদফিল্ডর জোসু শান্নবা চংলকখি। অনিশুবা হাল্ফকী ময়াই চনশিল্লকপা মেটচ অদুদা বোল পায়দুনা এটেক্ট তৌবগী চাং কেরলা ব্লাষ্টর্সনা হেঞ্জিল্লকখি। শান্নবগী মিনিট ৮০ শুজিল্লকখি।

পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা লৈখিবা মরমনা মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিট ১০ অদুদা পাঞ্জল অমা হাপচিন্বা ঙম্বা টিম অদুনা মেটচ অদু মায়পাকপগী চাওরবা আশা লৈখি।

এফ সি গৱাগী মন্দর দেসাইনা মহাক্কী টিমনা ফংখিবা কোর্নরগী খুদোংচাবা অমা লৌদুনা বোল অদু য়াম্না ফজবা মওংদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোল পোষ্ট ময়াই তম্না চং হল্লকখি। মদুদা য়াম্না ফিভম ফজনা ঙাইদুনা লৈখিবা এফ সি গৱাগী কেপ্টেন আর্নোলিন গ্রেগরিনা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংনা চোংখৎতুনা হেদ তৌশিনখিবদা কেরলাগী গোল কিপর ষ্টেফেন বাইৱাটর উপাই করিসু লৈখিদে। যুম্ব এফ সি গৱানা শান্নবা লোয়গদবা মিনিট ৫ দং ঙাইরবা মতম অদুদা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থাদুনা মেটচ অদু মায়পাকপগী লমজেলদা মাংজিল থাখি।

ইঞ্জুরি টাইম মিনিট ৪ হাপখি। মদু য়ৌদ্রিঙৈ গৱাগী কেপ্টেন গ্রেগরিনা মতম মাংহন্বগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। ৯০ শুবা মিনিটতা কেরলাগী মায়কৈদগী অরোইবা খুদোংচাবা অমা ওইনা ফ্রি কিক অমা জোশুনা কাওখি। অদুবু পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদবদগী গৱা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাখ্রে।

*এফ সি গৱাগী অর্নোলিন (মমাং) অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্সকী ৱাতকা বোল মুন্নবা*

**POINT TABLE**

| Pos | TEAMS | GP | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC GOA | 5 | 3 | 1 | 1 | 8 | 7 | 1 | 10 |
| 2 | FC PUNE CITY | 4 | 3 | 0 | 1 | 6 | 3 | 3 | 9 |
| 3 | DELHI DYNAMOS FC | 5 | 3 | 0 | 2 | 4 | 5 | -1 | 9 |
| 4 | ATLETICO DE KOLKATA | 4 | 2 | 1 | 1 | 6 | 5 | 1 | 7 |
| 5 | CHENNAIYIN FC | 5 | 2 | 0 | 3 | 8 | 6 | 2 | 6 |
| 6 | KERALA BLASTERS FC | 4 | 1 | 1 | 3 | 5 | 6 | -1 | 4 |
| 7 | MUMBAI CITY FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 5 | -2 | 4 |
| 8 | NORTHEAST UNITED FC | 4 | 1 | 0 | 3 | 4 | 7 | -3 | 3 |

**MATCH RESULT**

KERALA BLASTERS vs FC GOA

Goal - 0 Goal -2

MATCH ON 23RD OCTOBER 2015

NORTH EAST UNITED FC VS ALTETICO DE KOLKATA

## য়ুনাইটেদ অমসুং সি এস কে এ দ্রো চৎখ্রে রিএল অমসুং পি এস জিসু পাঞ্জল চন্নখিদ্রে

মোস্কো / পেরিস, ওক্তোবর ২২ ঃ

চেম্পিয়ন্স লীগ ২০১৫–১৬ কী গ্রুপ (বি) মেটচতা ঙরাং যুম্ব ওইখিবা রুসিয়াগী সি এস কে এ মোস্কো অমসুং ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদুগী ১৫ শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শরুক য়ারিবা এন্তোনি মার্সেলনা মহাক্কী বোক্স মনুংদা মখুৎনা বোল থেংলুবগীদমক সি এস কে এনা পেনালটি অমা পাঞ্জল ওম্থোক্তুনা মাংজিল থাখি।

অনিশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌজিল্লকপা মিনিট ২০ শুবদা য়ুনাইটেদকী ভেলেন্সিয়ানা য়েৎথংবা মায়কৈদগী পীরকপা ক্রোস অমা পেনালটি তাহল্লুবা মার্সেলনা হেদ তৌশিন্দুনা ইক্যুলাইজ অদু ওইখি।



*মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী রুনি (য়েৎ) অমসুং সে এস কেগী বেরেজুস্কিগা বোল মুন্নবা*

গ্রুপ (এ) গী ঙরাং পেরিসতা শান্নবা মেটচ অমদা মফম অদুগী ক্লব পি এস জিগা স্পেনগী রিএল মাদ্রিদকা শান্নবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। রিএল মাদ্রিদতা য়াওরিবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং টিমমেট জেসিনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা তাঞ্জা অনি মাংজখি। অমরোমদা যুম্ব পি এস জিগী মায়কৈদগীসু ৬৬ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাংজখিবদগী টিম অনিমক পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবনি। টিম অনিমক মেটচ ৩ দগী পোইন্ট ৭ / ৭ ফংমিন্নখি। অদুবু গোল দিফরেন্সতা রিএলনা হেন্দুনা মাংজিল থারি।

গ্রুপ (সি)দা টার্কিগী ক্লব গ্লাস্তাসারেনা বেনফিকা ক্লবপু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা মখোয়না অহানবা মায়পাকপা অদু ওইরি। গ্রুপ অসিদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো দি মাদ্রিদনা অস্টানাবু ৪–০দা মায়থিবা পীদুনা মায়থিখিবা বেনফিকাগা পোইন্ট ৬ / ৬ তা মান্নদুনা লৈরি। বেনফিকানা গলাসতাসারেগা দ্রো চৎলম্বা তারবদি গ্রুপ অসিগী লিডর ওইরমগদবনি।

## প্রনোয়না লিন দান থোইখ্রে সাইনা নম্বর ২দা হন্থখ্রে

পেরিস, ওক্তোবর ২২ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোয়না চাইনাগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা লিন দানবু ঙরাং পেরিসতা শান্নবা ফ্রেন্স ওপন সুর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায়থিবা পীখ্রে। নুপীগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অনিশুবা পোজিসনদা হন্থখ্রে।

ঐচ এস প্রনোয় টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শান্নরকখিবনি। অহানবা গেমদা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা লিন দানবা ২১–১৪দা থোইদুনা মাংজিল থাখ্রবসু প্রনোয়না অনিশুবা গেম অদুদা য়াম্না হেনবা মওংদা ২১–১১দা থোইখি। অহুমশুবা গেমদা পোইন্ট ১৫–১৫ ফাওবা মান্নরম্বদগী ইন্দিয়াগী প্রনোয়না মখা তাবা পোইন্ট ৬ লৌরকখিবদা লিন দাননা অনিখক লৌখিবদগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু প্রনোয়না গেম ২–১দা থোইখিবনি।

ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল হন্দক্তা পাংথোকখিবা জপান ওপন অমসুং দেনমার্ক ওপন্দা ঙন্না মায়থিহৌবদগী অনিশুবা পোজিসন্দা হন্থরগা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন্না অহানবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা নেহৱান অহানবা রাউন্দদা কানাদগী মিসেল লীবু থোইখি। নুপাগী কাং লুপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পি কশ্যাপসু অহানবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী তোমাস রোজেলবু থোইদুনা অনিশুবা রাউন্দ চংখি। অদুবু মঙাশুবা সিদেদ শান্নরোই কে শ্রিকান্ত চাইনিজ তাইপৈগী ৱার্ল্ড নম্বর ১০ তিয়ান হোৱৈগী মখুত্তা পুং ১ হেন্না শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মায়থিবা নংখি।

## জপান ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রে

লোজেন, ওক্তোবর ২২ ঃ

স্বিটজরলেন্দগী সহর লোজেনদা লৈবা ইন্টর্নেসনেল হোক্কি ফেদরেসননা মথং চহিদা ব্রাজিলগী সহর রিওদা পাংথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা জপানগী নুপীগী হোক্কিগী টিম ক্বালিফাই ওইরে হায়না লাওথোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং নিউ জিলেন্দনা ওসিনিয়া কপকী ফাইনেল শান্নগদবা মরমনা ওলেম্পিক্কীদমক্তা ক্বালিফিকেসনগী জগা অমা হাংদুনা লাকখি। মমাংদা পাংথোকখিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলদা জপান ৬শুবা পোজিসন তাখি। অমরোমদা স্পেনসু ভেলেনসিয়া সহরদা শান্নখিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগকী সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা পোজিসন তাখিবনি। অদুবু ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা জপান্না হেন্বদগী রিও ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

## ফিফা য়ূ–১৭দা বেলজিয়মনা হোন্দুরস থোইখ্রে আর্জেন্টিনা জর্মনিগী মখুত্তা মায়থিবা নংখ্রে

তালকা, ওক্তোবর ২২ ঃ

চিলিগী সহর তালকাদা ঙরাং শান্নখিবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ (দি)গী মেটচ অমদা বেলজিয়মনা হোন্দুরসপু পাঞ্জল ২–১দা থোইখ্রে। গ্রুপ (সি)গী অতোপ্পা মেটচ অমদা আর্জেন্টিনা জর্মনিগী মখুত্তা পাঞ্জল ০–৪দা মায়থিখ্রে।



*সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইনা গিনিগী দিফেন্দরশিংদগী বোল মুন্নবা হোৎনবা*

তালকাদা শান্নবা বেলজয়িম অমসুং হোন্দুরসকী মেটচ অদুদা বেলজিয়মনা অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২১ শুবা মিনিটতা ভেনকেমনা চনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু লোয়শিন্বদা অতোপ্পা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে। হাল্ফ হৌরকপগা হোন্দুরসকী লৈভানা ৪৯ শুবা মিনিটতা ইক্যুলাইজর অদু চন্বা ঙমখি। টিম অনিমক্না মখা তাবা লম্বা মান্ননা শান্নরকখ্রিবা মতুং ৭৮ শুবা মিনিটতা বেলজিয়মগী রিগোনা মায়পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেলজিয়ম মেটচ অনিদা অনিমক মায়পাক্লগা পোইন্ট ৪ ফংলি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মালিনা ইক্কাদোরবু ২–১দা থোইদুনা মখোয়সু মেটচ অনিদা পোইন্ট ৪ ফংলগা লৈরি।

গ্রুপ (সি)গী সিলিয়ন সহরদা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং মেক্সিকো পাঞ্জল অমত্তা চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অদুগা অনিশুবা মেটচতা জর্মনিনা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৪–০দা থোইদুনা মেটচ ২দা পোইন্ট ৬ ফংবদগী গ্রুপ অসিদগী নোক আউত ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

জর্মনিগী মায়কৈদগী আর্জেন্টিনাগা শান্নবা মেটচ অদুদা হৌবদগী হৌনা খুদুম চনখি। ৫শুবা মিনিটতা টিম অদুগী জেনেল্টনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং ৩২ শুবা মিনিটতা টিমমেট ইগেষ্টেননা পাঞ্জল অমসু হাপচিনখি। অদুগা অহানবা হাল্ফকী ইঞ্জুরি টাইমদা পাস্লেকনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনখি অদুগা ৪শুবা পাঞ্জল অদু স্মিটনা চনখি।


DAYAL MACHINE BRICK AVAILABLE

| Class | Rate | No. of Brick | Amount | Transport | Labour Charge | Total amount |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 9.50 | 3000 | Rs. 28,500 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 31,000 |
| " | " | 1500 | Rs. 14,250 | Rs 1300 | Rs. 350 | Rs. 15,900 |
| " | " | 1000 | Rs. 9,500 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 10,650 |
| 2nd | Rs. 9.00 | 3000 | Rs. 27,000 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 29,500 |
| " | " | 1500 | Rs. 13,500 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 15,150 |
| " | " | 1000 | Rs. 9,000 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 10,150 |
| 1st Rej. | Rs. 8.00 | 3000 | Rs. 24,000 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 26,500 |
| " | " | 1500 | Rs. 12,000 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 13,650 |
| " | " | 1000 | Rs. 8,000 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 9,150 |
| Petty | Rs. 7.00 | 3000 | Rs. 21,000 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 23,500 |
| " | " | 1500 | Rs. 10,500 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 12,150 |
| " | " | 1000 | Rs. 7,000 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 8,150 |
| 3rd. | Rs. 4.50 | 3000 | Rs. 13,500 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 16,000 |
| " | " | 1500 | Rs. 6,750 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 8,400 |
| " | " | 1000 | Rs. 4,500 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 5,650 |

Please Contact : 8729803571

M/S N. JILLA & SONS BRICK FIELD

Langjing Pungjao Makhong
Near Don Bosco School, Imphal

JOB VACANCY

Regd. No. 1400621-03350pt-1 (Micro) Govt. of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | District Wise Vacancy of Banking in Manipur (6 Months training with salary) | | | |
| (i) | Sitting staff, Mobile Banking supervisor, Loan officer | 4 | XII-Graduate | 16000-28000 |
| (ii) | Account opening, Loan recovery | 8 | XII-Graduate | 12000-25000 |
| (iii) | ATM Security, Bank Security | 6 | VIII-X | 10000-18000 |
| 2. | Direct Joint, Semi Govt./Micro Finance/Others (100% Sucess) | | | |
| (i) | Malli, Sweeper, Peon, Driver | 10 | VIII-X | 6000-9500 |
| (ii) | Chowkidar, Helper, Security, Grasscutter, cook | 12 | VIII-X | 5500-8500 |
| (iii) | Accountant, Computer Operator Data entry | 8 | X-XII | 10000-18000 |
| 3. | Hospital, Hotel, MNC Company, Office, School | | | |
| (i) | BPO, Asst. Manager | 5 | XII-Graduate | 12000-18000 |
| (ii) | Staff Nurse (GNM/ANM/M.Sc) | 15 | X-XII | 5500-9500 |
| (iii) | Medical Representative | 10 | XII-Graduate | 15000-30000 |
| 4. | Airport Post Vacancy for Domestic and International | | | |
| (i) | Air ticketing staff | 8 | X-XII | 12,000-15000 |
| (ii) | Ground staff, Airport electrician Cabin crew, Air-Hostess | 7 | X-XII | 17000-25,000 |
| 5. | Reputed Mobile Company (100% Sucess) | | | |
| (i) | Accountant | 4 | XII-Graduate | 8000-20000 |
| (ii) | Promoter | 15 | XII-Graduate | 8000-20000 |
| 6. | ইশাগী অহাংবা মতমদা Extra-income তান্নীংবা, Student, Housewife, un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি, Qualification : VII-above Income : 10,000 - 25,000 per month | | | |

Interview : 26th October, 2015
Last Date : 24th October, 2015
#9856470948, 8014741601

Sd/-
Rising Star Collaboration
Kwakeithel Thoudabhabok,
Near Akash Institute


In the Court of Sub-Deputy Collector

Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. : Mutation Case No. 756/SDC/P of 2015

**Abdul Rajak**
S/o (L) Mv. Absul Jabar
of Kshetri Mayai Leikai

Petitioner

-Vs-

**Mv. Abdul Jabar** S/o (L) Suleiman Haji
of Kshetri

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 22th Oct. 2015

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরি লৈননা খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী পাট্টা নং 126 (অরিবা) 288 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 139 an area .44 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃঃ (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হাইনা court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

SL/C/4038/23

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

In the Court of Sub-Deputy Collector

Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. : Mutation Case No. 757/SDC/P of 2015

**Md. Yushub Khan**
S/o (L) Chaobhal Mia
of Kshetrigao

Petitioner

-Vs-

**Ali Mia** S/o (L) Chaobhal Mia
of Kshetrigao

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 22th Oct. 2015

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরি লৈননা খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bangoon গী পাট্টা নং 10 (অরিবা) 63 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 318 an area .89 acre of Anganphou class লম অসিগী Pattadar অসি মৃঃ (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হাইনা court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

SL/C/4038/23

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

In the Court of Sub-Deputy Collector

Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. : Mutation Case No. 651/SDC/P of 2015

**Yumnam Surchandra Singh**
S/o (L) Y. Manglem Singh
of Wangkhei Lourembam Leikai

Petitioner

-Vs-

**1. Shamukcham (N) Thambal Devi**
d/o (L) Tolen Singh
**Y. Babu Singh** s/o (L) Chaoba Singh
of Wangkhei Lourembam Leikai

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 22th Oct. 2015

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরি লৈননা খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 27-Wangkhei Nongpok গী পাট্টা নং 474 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1322 an area .18 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-pattadar 1 and 2 অসি মৃঃ (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-pattadar 1 and 2 গী মহুত্তা মমিং ওনবীরো হাইনা court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

SL/C/4038/23

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East